# কোভিদকা মরী লৈনবা অরানবা ইনফোর্মেসনদা থাজরগা অৱাবা নংহনগনু: পি এম নরেন্দ্র মোদি



ন্যু দেল্লী, এপ্রিল ২৫ (এজেন্সী):

কোভিদকা মরী লৈনবা ইনফোর্মেসন খূদিংমক অচুম্বা ছোর্সশিংখক্তদগী খঙনবা হোৎননবা অমসুং অরানবা পাউদা থাজরগা ইশা ৱানবা হোৎনদনবা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা নোংমাইজিং নুমিত্তা লৈবাক মীয়ামদা আপীল তৌখ্রে।

প্রাইম মিনিষ্টর মোদিনা 'মন কি বাট'কী ৭৬শুবা ইপিসোদকা মরী লৈননা লৈবাক মীয়ামদা ৱা ঙাঙবদা হায়খি, কোভিদকা মরী লৈনবা ইনফোর্মেসন খঙনিংলবদি নৎত্রগা হীরম অসিগা মরী লৈননা লৈরিবা চিংনবশিং কোকপা পান্নবদি অচুম্বা ছোর্সতগী ইনফোর্মেসন লৌগদবনি।

অচুম্বা ইনফোর্মেসন ফংনবগী-দমক্তা ফেমিলি দোক্টর নৎত্রগা অনকপদা লৈরিবা দোক্টরশিংদা ফোনদা খূদিংমক হংবা য়াই। ঐখোয়গী দোক্টর কয়ানা মসিগী থৌদাং অসি হায়নৰুবা তৌদনা য়াজদুনা মীয়ামদা ৱাখল লৌশিং পীরি। দোক্টর কয়া অমনা সোসল মিদিয়াগী খূত্থাংদা মীয়ামদা ইনফোর্মেসন পীরি। মখোয়না ফোন অমসুং ৱাটসঅপতা কাওন্সেল্লিং তৌরি। হোস্পিটাল কয়ানা মখোয়গী ৱেবসাইটশিংগী খূত্থাংদা মীয়ামদা ইনফোর্মেসন পীরি। মীয়াম্না দোক্টরশিংগী পাউতাকসু লৌবা য়াই।

প্রাইম মিনিষ্টরনা লৈবাক মীয়ামদা মখা তানা হায়খি, কোভিদকী ক্রাইসিস অসি লাকশিন্নবগীদমক্তা নুমিৎ খরনিগী মমাঙদা মহাক্না তোঙান তোঙানবা সেক্টরশিংগী এক্সপর্টশিংগা মতম শাংনা খন্ন-নৈনখি। ফার্মা ইন্দষ্ট্রিগী মীওইশিং, ভেক্সিন মেন্যুফেক্চরশিং, ওক্সিজেন প্রদক্সনগা মরী লৈনবশিং, মেদিকেলগী লম্‌দা লৈরিবা এক্সপর্টশিংনা গভর্ণমেন্টতা মমল য়াম্লবা পাউতাক কয়া পীরকখি। হন্দক্কী মতাং অসিদা ঐখোয় লান অসিদা মায় পাকপা ঙম্নবগীদমক্তা ঐখোয়না এক্সপর্টশিং অমসুং সাইন্টিফিক এদভাইসতা থাজবা থমগদবনি।

মোদিনা হায়, ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা অৱৈবা পূম্বা শীজিন্নদুনা ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা হোৎনরিবশিংসু মতেং পাংদুনা লাক্লি। ষ্টেট গভর্ণমেন্টশিংনসু মখোয়গী থৌদাংশিং মায় পাক্না পাঙথোক্লবা অঙম্বা থাক্তা হোৎনরি।

লৈবাক অসিগী দোক্টরশিং অমসুং হেল্থ ৱর্করশিংনা কোরোনাগী মায়োক্তা অচৌবা লাঞ্চং অমা চঙশিল্লি হায়না ফোঙদোরকপগা লোয়ননা মহাক্না মীয়ামদা ভেক্সিনগা মরী লৈনবা তোকঙাদা থাজরগা ৱাখল ৱানবা শীঞ্জদনবা আপীল তৌখি।

ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা ষ্টেট গভর্ণমেন্টশিংদা থাখিবা ভেক্সিনশিংগী খুদোংচাবা লৌদুনা চহী ৪৫গী মথক ওইবা লৈবাক অসিগী মীওইশিংনা শেল তিংদনা ভেক্সিন কাপথোক্লবসু প্রাইম মিনিষ্টরনা আপীল তৌখি।

ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা ষ্টেটশিংদা লেম্না ভেক্সিন পীবগী প্রোগ্রাম অসি মখা তানা চত্থখিগনি। ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টকী ফ্রী ভেক্সিন প্রোগ্রাম অসিগী কান্নবশিং মীয়ামদা য়ৌহন্নবসু ঐহাক্না ষ্টেট গভর্ণমেন্টশিংদা আপীল তৌরি।

থাগী ওইবা রেদিও প্রোগ্রাম অদুদা মোদিনা দোক্টরশিং, নর্সশিং অমসুং হেল্থকেয়র ৱর্করশিংগা ইন্টরেক্ট তৌখি।

# ইন্দিয়াগী কোভিদ মেনেজমেন্ট ক্রিটিসাইজ তৌবা ত্বিট ৫০ ত্বিটরনা লৌথোকখ্রে




ন্যু দেল্লী, এপ্রিল ২৫ (এজেন্সী):

ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা কোভিদ-১৯ পেন্দমিক নীংথিনা হেন্দল তৌদে হায়দুনা লৈবাক অসিগী কোভিদ মেনেজমেন্ট ক্রিটিসাইজ তৌবা ত্বিট ৫০ ত্বিটরনা লৌথোকখ্রে।

ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা হায়রকপদগী ত্বিটরনা ত্বীট ৫০দু লৌথোকখিবনি।

মাইক্রো ব্লোগিং প্লেটফোর্ম অসিনা টেলঙ্গনাগী এমদি রেভন্থ রেদ্দি, ৱেষ্ট বেঙ্গলগী ষ্টেট মিনিষ্টর মোলোয় ঘতক, ফিল্মমেকর অনী অমসুং অতৈ কয়াগী ত্বীট ৫০ হেন্না দিলিট তৌখ্রে হায়বসি লুমেন দাটাবেজগী দেটানা উৎলি।

মিদিয়ানামানা ইহান হান্না রিপোর্ট তৌখিবা মতুংদা ত্বিটশিং অদু লৌথোক্লবা গভর্ণমেন্টনা ইমর্জেন্সি ওর্দর অমা থাখি।

ত্বিটরগী স্পোক্সপর্সন অমনা ষ্টেটমেন্ট অমদা হায়, ভেলিদ লিগেল রিক্বেষ্ট অমা লাক্লবদি মদু ত্বিটরগী রুলশিং অমসুং লোকেল লোগী মখাদা ত্বিটরনা রিভিয়ু তৌই।

করিগুম্বা কন্টেষ্ট অদুনা ত্বিটরগী রুলশিং ভাইওলেট তৌবা তারবদি কন্টেষ্ট অদু সর্ভিসতগী লৌথোক্কনি। কেস খূদিংমক্তা ঐখোয়না একাওন্ট হোল্ডরদা হকথেংননা খঙহল্লি। মসিনা একাওন্ট অদুগা মরী লৈননা লিগেল ওর্দর লাক্লে হায়বসি মখোয়দা নোলেজ লৈহল্লি হায়না কম্পনিনা ফোঙদোকখি।

থংন-থংননা মঙানি চনবা নুমিৎতসু ইন্দিয়াদা কোভিদনা মীওই ২০০০ হেন্না শিহনখি। হৌখিবা পূং ২৪ অসিদা ইন্দিয়াদা অনৌবা কোভিদ কেস ৩.৪৯ থেংনবগা লোয়ননা লায়না অসিনা পূন্না মীওই ২,৭৬০ শিহনখি।

ইন্দিয়ন গভর্ণমেন্টনা ত্বিটরদা রুল থুগায়বা একাওন্ট ৫০০ হেন্না লৌথোক্লবা ওর্দর তৌরকপদগী হৌখিবা ফেব্রুৱারীদসু অকক্লবা একাওন্টশিংগী মায়োক্তা ত্বিটরনা ইনফোর্সমেন্ট এক্সন কয়ামরুম লৌখৎখি।

একাওন্টশিং অদু মতম পূম্বগী ওইনা বেন তৌরবসু ত্বিটরনা হায়রি মদুদি, মিনিষ্ট্রি ওফ ইনফোর্মেসন টেক্নোলোজিনা দিরেক্সন পীরকপদগী এক্সন লৌখৎলিবা এক্সন অদু ইন্দিয়ন লোগা চানৈ নৎত্রগা চান্নদে হায়বসি কম্পনি অসিনা মুন্না খঙদে।

ফ্রীদম ওফ এক্সপ্রেসন অমসুং প্রোটেক্টেদ স্পীচ দিফেন্দ তৌবগী প্রিন্সিপলশিংগা চান্ননা ঐখোয়না ন্যুজ মিদিয়া ইন্টিটিশিং, জর্নেলিষ্টশিং, এক্টিভিষ্টশিং অমসুং পোলিটিসনশিংগী একাওন্টশিংদদি এক্সন লৌখৎত্রে। মখোয়গী মায়োক্তা এক্সন লৌখৎপা অসি ইন্দিয়ন লোগী মখাদা মখোয়গী ফন্দামেন্টেল রাইট শোক্কনি হায়বসি ঐখোয়গী থাজবনি হায়না মাইক্রো ব্লোগ্গিং প্লেটফোর্ম অসিনা ফোঙদোকখি।

লৌমীশিংগী প্রোটেষ্টকা মরী লৈননসু একাওন্ট ১,৪৩৫ রোম ব্লোক তৌনবা আই টি মিনিষ্ট্রিনা ত্বিটরদা নোটিস অহুম থাবা লৈখ্রবনি।

# দেল্লীদা লোকদাওন মে ৩ ফাওবা শাংদোকখ্রে




ন্যু দেল্লী, এপ্রিল ২৫ (এজেন্সী):

দেল্লীদা লেপ্তুনা হেনগৎলক্লিবা কোভিদ-১৯ ইনফেক্সনশিং লাকশিনবদা মতেং ওইনবা নেসনল কেপিটেল অসিগী লোকদাওন মখা তানা চয়োল অমগসু শাংদোক্লগনি হায়না চীফ মিনিষ্টর অর্বিন কেজ্রিৱালনা নোংমাইজিং নুমিত্তা লাউথোকখ্রে।

চয়োলগী অরোইবা শরুক্তা কর্ফিয়ু থম্লকখিবা মতুংদা চৎনহল্লকখিবা লোকদাওন অদু এপ্রিল ২৬তা লোইগদবনি।

লোকদাওননা কোরোনাগী মায়োক্তা ঐখোয়গী অরোইবা খূৎলায় ওইখি। ঐখোয়না সেক্সন কয়াদা ৱারী শানরে অমসুং লোকদাওন চয়োল অমগসু শাংদোক্লবা ৱারেপ লৌরে। মসিনা পোজিটিভ ওইবগী চাং মখা তানা হন্থহল্লগনি হায়না ঐখোয়না থাজে। লোকদাওন থম্না থম্না সিটি অসিদা কেস লেপ্তুনা হেনগৎলক্লি হায়না কেজ্রিৱালনা ফোঙদোকখি।

অদুম ওইনমক, লোকদাওন হৌরকপদা পোজিটিভ ওইবগী চাং চাদা ৩৬-৩৭ (লৈবাক অসিগী খ্বাইদগী ৱাংবা পোজিটিভিটি রেট) ফাওবা ৱাংলম্বদু হৌখিবা নুমিৎ নীনি অসিদা ফিভম ফগাৎলকপদগী মমি উবগা লোয়ননা হৌখিবা পূং ২৪ অসিদা চাদা ৩০গী মখাদা হন্থখ্রে। ঐখোয়না ফিভম অসি নিংথীনা মোনিটর তৌদুনা পোজিটিভিটি রেট মখা তানা হন্থহনবা য়াগদ্রা হায়বদু য়েংগনি।

সিটি অসিদা মীওই কয়া শিহনখ্রবা ওক্সিজেন ৱাৎপগী মতাংদা পল্লদুনা চীফ মিনিষ্টরনা হায়, মতম চানা হোস্পিটালশিংদা ওক্সিজেন য়ৌহন্নবা গভর্ণমেন্টনা অহিং নুংথিল নাইদনা লেপ্তুনা হোৎনরি।

ঐখোয়না হোৎনরিবসি করিগুম্বা মতমদা মায় পাক্তে অদুবু মায় পাকপা কয়াসু য়াওরি। ঐখোয়না ওক্সিজেন রিছোর্সশিং নীংথিনা মেনেজ তৌবা চঙই। হৌজিক পূং অনী খূদিংগী ওক্সিজেন ফংবা ফংদবগী ফিভম অপদেট তৌগদবা পোর্টেল অমা হাংলে। পোর্টেল অসিদা মেন্যুফেকচররশিং, সপ্লায়রশিংদা লৈরিবা ষ্টোক অমসুং হোস্পিটালশিংনা মথৌ তারিবা চাংশিং অপদেট তৌগনি। মসিনা ঐখোয়দা ওক্সিজেন ফংদবগী খুদোংচাদবা লৈহল্লরোই হায়না চীফ মিনিষ্টরনা ফোঙদোকখি।

সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টনা দেল্লীদা মতেং পাংলি অমসুং মহাক্না ষ্টেট খূদিংমক্তা ওক্সিজেন শ্যের তৌরক্লবসু আপীল তৌখ্রে হায়নসু কেজ্রিৱালনা ফোঙদোকখি। মহাক্কী মতুং ইন্না অতৈ লৈবাকশিংনসু দেল্লীদা ওক্সিজেন থারক্কনি। দেল্লীদা ওক্সিজেন টন ৭০০ মথৌ তাবদা সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টনা টন ৪৯০ পীরি। তৌইগুম্বসুং এলোটমেন্ট অসিসু কেপিটেল য়ৌরক্ত্রি। কেপিটেলদা ওক্সিজেন টন ৩৩৫দমক য়ৌরকপদগী ওক্সিজেন ৱাৎপগী প্রোব্লেম অসি লৈরিবনি।

# পাক দ্রোননা খূৎলায় থাদরম্নবা হোৎনবদা মায় পাকহনখিদ্রে



জম্মু, এপ্রিল ২৫ (এজেন্সী):

পাকিষ্টাননা কন্ট্রোল তৌবা দ্রোনশিংনা জম্মু এন্দ কাশ্মিরগী জম্মু দিষ্ট্রিক্টতা খূৎলায় কয়ামরুম থাদরম্নবা হোৎনবদা বোর্দর সিক্যুরিটি ফোর্সেস (বি এস এফ)কী ক্রুপশিংনা মায় পাকহনখিদ্রে।

বি এস এফকী ছোর্সশিংনা হায়, থাংজ নুমিৎকী নুমিদাং অথেংবদা জম্মু দিষ্ট্রিক্টকী অর্নিয়া সেক্টর মনুং চনবা বোর্দরগী ইন্দিয়ারোম থংবা নাকলদা বি এস এফকী মীৎ-না শিংলবা ক্রুপশিংনা অনমেন এরিএল ভেহিকল (য়ু এ ভি) অনী উরকখি।

য়ু এ ভিশিং অদু অর্নিয়া সেক্টরগী বিক্রম অমসুং জবোৱাল বোর্দর আওটপোষ্টশিংগী মথক্তা উখিবনি। বি এস এফ ক্রুপশিংনা নোংমৈ রাওন্দ ১৫ কাপশিনবদগী য়ু এ ভিশিং অদু বোর্দরগী পাকিষ্টানলোম থংবা শরুক্তা ৱিথদ্রো তৌখি। য়ু এ ভিশিং অদু মখোয়গী পেলোদ থাদবা ঙমখিদ্রে হায়না ছোর্সশিংনা ফোঙদোকখি।

বোর্দরদা সিজফায়রগী কাঙলোনশিং চপ চানা ইন্নবা হায়না লৈবাক অনীগী দি জি এম ওশিংনা য়ানখ্রবা মতুংদা টেরোরিষ্টশিংগীদমক্তা দ্রোনশিং শীজিন্নরগা খূৎলায় থাদনবা হোৎনবা হেনগৎলকখি হায়না ছোর্সশিংনা মখা তাখি।

# ভেক্সিনগী মমলগী মতাংদা য়েৎনরকপা য়াবগী ফিভম লাক্লে

হাইদ্রবাদ, এপ্রিল ২৫ (এজেন্সী):

ভারত বাইওটেকনা থাংজ নুমিত্তা মসিগী কোভিদ-১৯ ভেক্সিন কোভেক্সিনগী মমল লাউথোরকখিবগা লোয়ননা মপুনা ভেক্সিনগী মমল লেপ্পগী মতাংদা মখা তানা য়েৎনবা লাকহনগদৌরি।

ত্রিটিকশিংনা ভেক্সিন মেন্যুফেকচররশিংবু কা-হেন্না শেনে দাং লৌনবা হোৎনৈ হায়না মরাল শীরি।

অদুম ওইনমক, সেরম ইন্সটিট্যুট ওফ ইন্দিয়া (এস আই আই) গুম্না ভারত বাইওটেকনা অতৈ ভেক্সিনশিংগা মরী লৈননা অহোংবা কয়া লাকহন্নবা হোৎনবগী খোঙচত্তা চঙখিবা শেনফম কুপখৎনবা হেৎনবা হায়বদি তঙায় ফদে হায়রদুনা কম্পনি অসিনা লেপ্লিবা ভেক্সিনগী মমল চুম্মী হায়রি।

হাইদ্রবাদতা বেজ তৌবা কম্পনি অসিনা কোভেক্সিনগী মমল প্রাইভেট হোপিটালশিংগী ওইনা লুপা ১,২০০দা লেপখিবনি। মসি সেরম ইন্সটিট্যুট ওফ ইন্দিয়ানা লেপ্লিবা কোভিসিল্ডগী মমলগী শরুক অনীনি।

এম আই আইনা ষ্টেট গভর্ণমেন্ট-শিংদা দোজ অমদা লুপা ৪০০গী চাংদা কোভিসিল্ড পীগনি হায়না লাউথোকখি। অমরোমদা ভারত বাইটেকনা ষ্টেটশিংদা ভেক্সিন দোজ অমদা লুপা ৬০০ চার্জ তৌরগনি। মপান্দা থাদোকপগী ওইনদি ভারত বাইওটেকনা ইন্দিয়াগী অহানবা ইন্দিজেনস কোভিদ ভেক্সিন দোল্লর ১৫দগী ২০ ফাওবগী মনুংদা য়োন্নবা লেপখ্রে।

# ওক্সিজেন লৈতবদগী ফোর্টিস ইস্কোর্টসতা পেসেন্ট এদমিট তৌবা লেপখ্রে




ন্যু দেল্লী, এপ্রিল ২৫ (এজেন্সী):

হোস্পিটাল কয়াদা ওক্সিজেন কোন্নরক্তবগী প্রোব্লেম লৈরিঙৈদা ফোর্টিস ইস্কোর্টস হার্ট ইন্সটিট্যুটনা অনৌবা পেসেন্টশিং-এদমিট তৌররোই হায়না লাউথোকখ্রে।

হোস্পিটাল অসিনা ফোঙদোর-কপগী মতুং ইন্না হৌজিক হোস্পিটাল অসি পূং অমখক্কী ওক্সিজেন লৈ।

ফোর্টিস ইস্কোর্টস হার্ট ইন্সটিট্যুটকী কার্দিওলোজিষ্ট ডা. নিশিম চন্দ্রনা ত্বিটর পোষ্ট অমদা হোস্পিটালগী মপান্দা থম্বা নোটিসকী পিকচর অমা উৎলদুনা হায়, হৌজিক ফিভম লুশিল্লক্লি। মসি ন্যু দেল্লীদা লৈবা ঐহাক্কী হোস্পিটাল ফোর্টিস ইস্কোর্টস হার্ট ইন্সটিট্যুটকী ফিভম্নি। মসি ইন্দিয়াগী খ্বাইদগী মরু ওইবা কার্দিয়াক হোস্পিটালশিংগী মনুংদা অমগী ফিভম্নি।

নোটিশ অদুদা ঐখোয়না লাক্কদৌরিবা ফিভমগী মতাংদা ওথোরিটি খূদিংমক্তা মতম চানা খঙহনখি অমসুং ঙরাংদগী ওক্সিজেন সপ্লায় ঙাইরক্লি। তাল্লক অসিদা অতৈ পাম্বৈ লৈতবদগী ঐখোয়না পেসেন্ট এদমিট তৌবা অমসুং ঈ আর সর্ভিসশিং ফিভম ফরক্ত্রিবফাওবা লেপ্লে। হান্না এদমিট তৌরবা পেসেন্টশিং ঐখোয়গী অঙম্বা থাক্তা মেনেজ তৌরি।

ফোর্টিস ইস্কোর্টস হার্ট ইন্সটিট্যুটতা হৌজিক পেসেন্ট ১০০ রোম ওক্সিজেন সপোর্টকা লোয়ননা লৈরিবনি। অয়ূক পূং ১১রোম তাবদা নেসনল কেপিটেলদা লৈবা পেন্টামেদ হোস্পিটাল কৌবা অতোপ্পা হোস্পিটাল অমনসু পূং অমখক্কী ওক্সিজেন লৈ হায়না ফোঙদোরকখি।

হোস্পিটাল অসিনা ত্বিট অমদা কোভিদ পেসেন্ট ৫০ ওক্সিজেন সপোর্টকা লোয়ননা লৈরি হায়রদুনা দেল্লী গভর্ণমেন্টনা ওক্সিজেন এরেঞ্জ তৌবীয়ু হায়খি। হৌখিবা অহিং নোংয়াইরোম য়ৌরকপদা ওক্সিজেন লৈরক্ত্রে হায়না লাউথোকখিবা সার গঙ্গারাম হোস্পিটাল (এস জি আর ঐচ)দা অয়ূক পূং ৪রোম তাবদা ওক্সিজেন টন মঙা থুংলখি।

# পি এম সি এ আর ঈ এসকী খূত্থাংদা ওক্সিজেন জেনরেসন প্লান্ট ৫৫১ লিংখৎলগনি

ন্যু দেল্লী, এপ্রিল ২৫ (এজেন্সী):

হোস্পিটালশিংদা ওক্সিজেন হেন্না ফংহন্নবা প্রাইম মিনিষ্টরনা পীবা দিরেক্সনগী মতুং ইন্না, পি এম সি এ আর ঈ এম ফন্দনা লৈবাক অসিগী পব্লিক হেল্থ ফেসিলিটিশিংগী মনুংদা দেদিকেটেদ প্রেসর স্বিং এদজোর্পসন (দি এস এ) মেদিকেল ওক্সিজেন জেনরেসন প্লান্ট ৫৫১ ইন্সটোল তৌনবগী ফন্দশিং কায়থোকপগী ৱাফম অয়াবা পীখ্রে।

ষ্টেটমেন্ট অমদা প্রাইম মিনিষ্টর ওফিস (পি এম ও)না হায়, মেদিকেল ওক্সিজেন জেনরেসন প্লান্টশিং অসি য়ারিমখৈ থুনা মথৌ তৌহনবা য়ানবা প্রাইম মিনিষ্টরনা দিরেক্সন পীখ্রে। প্লান্টশিং অসিনা দিষ্ট্রিক্ট লেভেলদা ওক্সিজেন ফংহনবগী চাং হেনগৎহল্লগনি।

দেদিকেটেদ প্লান্টশিং অসি তোঙান তোঙানবা ষ্টেটশিং/ য়ুনিয়ন টেরিটোরিশিংদা লৈরিবা খনে দাম্লবা গভর্ণমেন্ট হোস্পিটালশিংদা লিংখৎকনি। প্রোক্যুরমেন্টকী থবক মিনিষ্ট্রি ওফ হেল্থ এন্দ ফেমিলি ৱেলফ্যেরগী খূত্থাংদা পাঙথোক্কনি।

পি এম সি এ আর ঈ এস ফন্দনা চহী অসিগী অপূনবা শরুক্তা লৈবাক অসিগী পব্লিক হেল্থ ফেসিলিটিশিংগী মনুংদা অহেনবা দেদিকেটেদ প্রেসর স্বিং এদজোর্পসন (পি এস এ) মেদিকেল ওক্সিজেন জেনরেসন প্লান্ট ১৬২ ইন্সটোল তৌনবগীদমক লুপা ২০১.৫৮গী শেনফম লাউথোকখি।

দিষ্ট্রিক্ট হেদক্বার্টরশিংদা লৈরিবা গভর্ণমেন্ট হোস্পিটালশিংদা পি এস এ ওক্সিজেন জেনরেসন প্লান্টশিং লিংবগী মরু ওইবা পান্দমদি পব্লিক হেল্থ সিষ্টেম ফগৎহনবা অমসুং হোস্পিটালশিং অসিদা কেপটিভ ওক্সিজেন জেনরেসন ফেসিলিটি লৈহনবনি।

# অতৈ ষ্টেটশিংদগী টামিল নাদুদা চৎপদা ঈ-পাস চঙলগনি লাউথোকখ্রে

চেন্নাই, এপ্রিল ২৫ (এজেন্সী):

কেরেলা য়াওনা ইন্দিয়াগী অতৈ ষ্টেটশিংদগী টামিল নাদুদা লাকপা মীওইশিং মীওইশিং ঈ-পাস চঙলগনি হায়না টামিল নাদু গভর্ণমেন্টনা লাউথোকখ্রে।

কোভিদ কেসশিং লেপ্তুনা হেনগৎলকখিবগা লোয়ননা ষ্টেট অসিনা ইনফেক্সন লাকশিন্নবা থৌরাং কয়া লৌখৎখি। থাংজ নুমিত্তা ষ্টেট অসিদা অনৌবা কোভিদ কেস ১৪,৮৪১ রেকোর্দ তৌখি। হৌখিবা পূং ২৪ অসিদা মীওই ৯১৪২ লায়না অসিদগী ফরকখি অমসুং মীওই ৮০ লায়না অসিনা শিহনখি। ষ্টেট অসিগী এক্টিভ কেস মশিং ১,০০,৬৬৮ নি।

টামিল নাদুনা কেরেলাদগী লাকপা মীওইশিং নুমিৎ ১৪নি শোয়দনা কোরন্টিন তৌনবসু খন্নরি। হীরম অসিগী মতাংদা নোংমাইজিং নুমিৎকী অথেংবদা ৱারেপ অমা লৌরগনি।

ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা নোংমাইজিং খূদিংগী লোকদাওন থম্বদগী মহৌশানা মী চিনগনবা কোয়াম্বেদু মার্কেট নোংমাইজিং নুমিৎকী অয়ুক্তা মী তাকখি। কোয়াম্বেদু মার্কেটনা সাওথ ইন্দিয়া শীন-থুংনা মনা-মশিং সপ্লায় তৌরিবনি। ষ্টেট অসিনা প্রাইভেট ফঙ্কসনশিং পাঙথোকপদসু অথিংবা কয়া থমদুনা লুহোংবদা মী ৫০দগী হেন্না পুনবা য়ারোই অমসুং লৈতবা মীগী অরোইবা মথৌ মঙম পাঙথোকপদা মী ২৫দগী হেনবা য়ারোই হায়না লাউথোকখ্রে।

মোলশিং, অচৌবা নাইতোম ওইনা লৈবা দুকানশিং অমসুং সোপ্পিং কমপ্লেক্সশিং চয়োল অমগী মনুংদা থাংজ অমসুং নোংমাইজিং নত্তবা নুমিৎশিং থোঙ লোনগনি।

থিয়েটরশিং, বারশিং, জিমশিং, রিক্রেসন ক্লবশিং, ওদিটোরিয়মশিং অমসুং কনফরেন্স হোলশিংসু থাংজ অমদি নোংমাইজিং নত্তবা নুমিৎশিং হাংলোই।

লিকর আওটলেটশিং থোঙ হাংগনি, তৌইগুম্বসুং য়ু দুকানশিংদা এটেচ তৌরিবা বারশিংদি ওপরেট তৌহল্লোই। অচৌবা মোলশিং অমসুং সোপ্পিং কমপ্লেক্সশিং নত্তনা গ্রোসরি দুকানশিং অমসুং আওটলেটশিংদি হাংহনগনি।

এয়র কন্দিসনরশিং য়াওদবা দিপার্টমেন্টেল ষ্টোরপশিং চাদা ৫০গী কেপাসিটিদা মথৌ তৌহনগনি। হোটেল অমসুং লোদজশিংদা লৈরিবা গেষ্টশিং মশা মশাগী কাশিংদা সর্ভ তৌগনি অমসুং রেষ্টোরেন্টশিং থোঙ লোনগনি। তৌইগুম্বসুং চান-থক্লবা পোৎলমশিং লৈরগা পুবদি য়াহনগনি।

# চয়োল অমদা অলিগর মুসলিম য়ুনিভর্সিটিগী ওজা ৮ কোভিদনা শিহনখ্রে



অলিগর, এপ্রিল ২৫ (এজেন্সী):

হৌখিবা নুমিৎ তরেৎনি অসিদা কোভিদনা মরম ওইদুনা অলিগর মুসলিম য়ুনিভর্সিটি (এ এম য়ু)গী ফেকল্টি মেম্বর অহুম অমসুং থবক্তগী পোত্থারবা প্রোফেসর মঙা কোভিদনা মরম ওইদুনা লৈখিদ্রে।

ফেকল্টি অমসুং ষ্টাফ মেম্বর ৩০ পোজিটিভ ওইদুনা এ এম য়ুগী জৱাহরলাল নেহরু মেদিকেল কোলেজদা এদমিট তৌখ্রে। মখোয়দা নত্তনা মেদিকেল কোলেজ অসিগী কন্সুলটেন্ট ১২, রেসিদেন্ট দোক্টর ২০ অমসুং পেরামেদিকেল ষ্টাফ মেম্বর খরসু পোজিটিভ ওইদুনা এদমিট তৌখ্রে।

এ এম য়ুগী ওফিসলশিংনা ফোঙ-দোরকপদা, দিপার্টমেন্ট ওফ উর্দুগী সিনিয়র ফেকল্টি মেম্বর অমসুং মমিং লৈরবা ক্রিটিক প্রোফেসর মৌলা বঘস অন্সারি (৫৮) সুনি থিওলোজি সেক্সনগী ফেকল্টি মেম্বর প্রোফেসর ইহসানুলাহ ফাহদ (৫০) অমসুং য়ুনিভর্সিটি পোলিটেক্নিক এ এম য়ুগী লেদর এন্দ ফুটৱয়র টেক্নোলোজিগী ইন-চার্জ সয়িদ উজামান (৫১) অসি সর্ভিং ফেকল্টি মেম্বরশিংনি। মখোয় অহুম হৌখিবা নুমিৎ নীনি অসিদা কোভিদনা মরম ওইদুনা লৈখিদ্রে।

প্রোফেসর অন্সারি প্রাইভেট হোস্পিটাল অমদা এদমিট তৌখি অমসুং নুমিৎ খরনিগী মনুং য়ুমশকৈশা নুমিত্তা শিখি। মহাক কোভিদ টেষ্ট তৌখিদ্রবসু মশাদা লায়না অসিগী লাইওংশিং চেনখি হায়না উর্দু একাদমি এ এম য়ুগী হান্নগী দিরেক্টর রাহত অব্রারনা ফোঙদোকখি। অন্সারিনা ষ্টাইলিষ্টিক্স, ক্রিটিকেল ষ্টদিজ অমসুং কলচরেল ষ্টদিজগী লাইরিক তরুক্কা মরী লৈননা থবক তৌরকখি। লাইরিকশিং অদু হৌজিক ফাওবদি ফোঙদ্রি।

অমরোমদা, প্রোফেসর ফাহদ কোভিদ-১৯ ত্রিটমেন্টকীদমক নেগেটিভ ওইরকপদগী নন-কোভিদ ৱার্দতা হোংজিনখি। তৌইগুম্বসুং মহাক নুমিৎ নীনি লৈরগা পোষ্ট কোভিদ কমপ্লিকেসন্না মরম ওইদুনা শিখি হায়না মেদিকেল কোলেজগী প্রিন্সিপাল প্রোফেসর শহিদ অলি সিদ্দিক্কিনা ফোঙদোকখি।

ফাহদকী মতুং মথংগী নুমিত্তা প্রোফেসর উজামনসু শিখি। মহাক কোভিদ-১৯ টেষ্টতা নেগেটিভ ওইরবসু লাইহৌ অমসুং লোককুম্বা লায়ওংশিং চেনখি। মহাক মমাগী অরোইবা মথৌ মঙম পাঙথোকপদা শরুক য়ানবা চৎখিবা মফম মিরুটতা লৈখিদবনি হায়না য়ুনিভর্সিটি পোলিটেক্নিক্কী প্রিন্সিপাল প্রোফেসর অর্সদ উমরনা ফোঙদোরকখি।

হৌখিবা চয়োল অমরোম অসিদা কোভিদ-১৯গা মরী লৈনবা কমপ্লিকেসনশিংনা মরম ওইদুনা থবক্তগী পোত্থারবা ফেকল্টি মেম্বর মঙাসু শিখি। মখোয় অদুদি-প্রোফেসর রিজৱান হুসাইন, ৮৪ (ইংলিস), প্রোফেসর বকীল জফারি, ৯০ (ফিজিক্স), প্রোফেসর হুমায়ুন মুরাদ, ৮০ (জুলোজি), প্রোফেসর সয়ীদুজ জাফর, ৭৫ (দিপার্টমেন্ট ওফ সাইকোলোজিগী হান্নগী চ্যেরমেন) অমসুং য়ুনিভর্সিটি ওফ পোলিটেক্নিক এ এম য়ুগী হান্নগী প্রিন্সিপাল প্রোফেসর ইকবাল অলিনি।

রিজৱান হার্ট ফেল ওইরগা লৈখিদবনি। তৌইগুম্বসুং মমৌনুপী পোজিটিভ ওইরকপদগী মহাক হোম আইসোলোসন তৌরকখি। মহাক্কী লোয়নবী অমসুং মচানুপাসু পোজিটিভ ওইরে হায়না এ এম য়ুগী অতোপ্পা ফেকল্টি মেম্বর অমা ওইরিবা মহাক্কী মবাই প্রোফেসর সায়দ অলি নদীম রেজাবিনা ফোঙদোকখি।

# ফিভম খরা ফরম্বা অন্ধ্র প্রদেশতা কোভিদকী অনীশুবা ৱেভ কনখৎলক্লে

অমরাবাতি, এপ্রিল ২৫ (এজেন্সী):

কোরোনাভাইরস পেন্দমিক্কা মরী লৈননা নুমিৎ খরনিগী মমাঙদা অতৈ ষ্টেটশিংগা চাংদম্নবদা ফিভম খরা ফরম্লবা অন্ধ্র প্রদেশতা হৌজিক অনীশুবা ৱেভ কনখৎলক্লে।

চীফ মিনিষ্টর ৱাই এস জগন মোহন রেদ্দিগী দিরেক্সন মতুং ইন্না থাংজ নুমিত্তগী হৌরগা ষ্টেট অসিদা নুমিদাং পূং ১০দগী মথংগী অয়ূক পূং ৬ ফাওবা নাইট কর্ফিয়ু লৈরগনি।

নুমিৎ খূদিংগী কেস ১০,০০০দগী তাদনা হেনগৎপগা লোয়ননা ইন্দিয়াগী খা থংবা ষ্টেট অসিদা থাংজ নুমিত্তা অনৌবা কেস ১১,৬৯৮ রেকোর্দ তৌখি। মসিনা এক্টিভ কেস মশিং ৮১,০০০ শুহনখি।

তাল্লক অসিদা হেন্না মীপাইনিংঙাই ওইরিবদি কুম্ভ মেলাদগী হল্লকপা লাইফম কোইবা মীওই খরা সিসালি, য়েলুরুপাদু অমসুং অমসুং অতৈ ভিলেজ কয়াদা কোভিদ পোজিটিভ ওইরম্বা অসিনি। মখোয়গী চপ চাবা মশিংদি খঙদ্রি।

হৌজিক ষ্টেট অসিদা কোভিদকী ফিভম ফৎচিল্লক্ত্রে। পাক্তক্লনা মীপাইনরকপদগী বিজনেস ফেল ওইরে, থাংজ নুমিৎতগী কর্ফিয়ু হৌরগনি হায়না রাজমোহেন্দ্রবারমদা এম ৬ কিটচন এন্দ লোঞ্জগী জেনরেল মেনেজর মিরিয়ালা অবিনাসনা এজেন্সিদা ফোঙদোকখি।

অভিনাসকী মতুং ইন্না, অতৈ ইন্দষ্ট্রিশিংগা চাংদম্নবদা রেষ্টোরেন্টশিংগী ফিভম য়াম্না শোক্লে। মরম ওইনা নুমিদাংদা কর্ফিয়ু লৈবনা মরম ওইদুনা রেষ্টোরেন্টশিংদা মী চঙনদ্রে। মহৌশানা নুমিদাং অমসুং অহিংগা চাংদম্নবদা নুংথিলদা রেষ্টোরেন্টটাংদা মী চঙবা হন্থে। হোস্পিটাল প্রোফেসনল অসিনা হায়, মহাক্কী রেষ্টোরেন্ট অদু নুমিদাংগী মতমদা লুপা লাক্ষ অমা হেনবগী বিজিনেস তৌরম্মী। অদুবু নুংথিলগী মতমদি মসিগী শরুক ১০ থোকপগী অমা ফাওবা য়ৌখিদে।